থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অমম্বা যুগতা হল্লক্কদ্রা? অহোংবা অমা লাক্কদ্রা?

অফঘান নুপী অমনা, মরৈবাক্তু তালিবানগী খূত্তা তাখ্রবা মতূংদা ওন্থোক্লা ৱানা নান্থোক্তুনা ‘দোহা’ সহর য়ৌরক্লব’তুং পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়... ‘চহী কুন চঙনা শেমগৎচরকপা অফঘানিস্তান, ঙসিদি অমুক নূংগী যুগতা হল্লক্লে, অমম্বনা কূপশিনখ্রে...। মহাকখক্তা নত্তে, মহাক্না লোয়নদুনা চেল্লকখিবী নুপীশিংদুনসু লীখি- ১৯৯৬তগী ২০০১ ফাওবগী মতমদুদা অফঘানিস্তানগী নুপীশিংনা লেল্লম্বা পুন্সিদুগী তাবা ৱারবা ৱারী। অমেরিকা অমদি মহাক্কী মীচঙ ওইবা লৈপাকশিংগী লান্মীনা তালিবানশিংবু মায়থীবা পীদুনা অনৌবা অফঘান-লৈঙাক অমা শেমগৎলকখ্রবা মতূংদখক্তনি অফঘানিস্তানগী নুপীশিংনা নিংশা-শোর চনীং তানা হোনবা ফংদুনা অতে মুসলিম লৈপাকশিংগী নুপীগুম হিংবা ঙম্লকখিবা।

তালিবানশিংনা থাজে- নুপীশিংদি নুপাশিংগী মরল ওইনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি, মপান থোকহল্লোইদবনি, মীরক তিনহল্লোইদবনি, মহৈ তমহল্লোইদবনি। যূম পানবা য়ারবী নুপী অমনা য়ূমদই মপান থোকপদা খোঙদগী তোন ফাওবা অমুবা ফিনা কূপশিল্লগা থোক্কদবনি, অদুসু, মহাক্কী ঈমুং মনুংগী নুপা অমনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা। মখোয়গী য়াথং শীংনরকপা নুপী অমসুং নুপাশিং অহকপা চৈরাক পীগনি। নুপীমচাশিংবু মহৈ তমহনবা, এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহনবা- মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা হক অদু ফংহনবনি খন্দুনা তালিবানগী ৱার্নিং থওইরুদবী ‘মলালা’ নোংমৈ মরু মায়োক্লখি। মকোক্তা পানবা নোংমৈ মরু লৌথোক্তুনা শিনীংচিত্তা হিংলকপা, ইংলেন্দ’দা চঙজফম লৌদুনা মীরোং অমগুম তালিবানগা মায়োক্লদনবা হোৎনরক্লি। মথৌনা ফবা মতৌদুগী ‘নোবেল পিছ প্রাইজ’ পীদুনা ঈকায়খুম্নখি। চহী কুন চঙনা শেমগৎলকপা অনৌবা অফঘানিস্তানগী মশীং য়াল্লবা লান্মীশিং, মরীন য়াওদবা, য়াঙলেন শরূ পান্দবমক্তা ওইরমদুনা, অমেরিকাগী লান্মীশিং অফঘানিস্তান থাদোক্তুনা চৎলগনি লাউথোরকপদা পাখক্তুনা, নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপ্লমদনা তালিবানশিংদা চঙজখিবদু উবদা মথ্বায় ৱাজরবী ‘মলালা’না মালেমগী মীয়ামদা পাউজেনখি... ‘অফঘানিস্তানগী নুপীশিংবু কনবীয়ু’। তেংথা নাওই কপ্লিবী অফঘান-লৈশাবী-মচাশিং, কাবুল-এয়রপোর্টকী ফেন্সিং ৱাংমদগী অমেরিকান ফোর্সকী মীওইশিংদা মখোয়বু অফঘানিস্তান-ৱাংমদা পুবীনবা হায়জবগী ভিদিও-উদবা কনা য়াওরমগদগে? সহর অমগী ময়ায়দা, মমায়গী মায়খুম হাংদোক্তুনা, নক্লবা নুপা অমবু ঙাক শেনহন্দনা, মথৌ শিন্থা পাঙবা চৎলুবী নুপী অমা, মাগী মরালদু তালিবান রুল্লর অমনা লাউথোল্লগা মকোক্তা কাপ্পুনা হাৎখিবা-ঐদি য়েংবা ঙমখিদে। থৌজাল-হৈবা, পীন-হৈবা, পুকচেল-চাউবা, চাউবদগী চাউরবা অল্লাহ’বু থাজজবা মালেমগী মুসলিম ঈচিল-ঈনাওশিং, মখোয়দি পেন্নরমগদ্রা?

অসিনসু লোইবা নত্তে। অফঘানিস্তান’দা লৈরিবা ‘নুপী পোকপা মমা-মপাশিং’ মচাদুনা য়ূমপানবা য়াবগী থাক য়ৌনা মপুম-মরৈ ফারক্লবা অমদি মৱা-মপুরোইবা লৈখিদ্রবী লুখ্রাবীশিং- ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা, অফঘানিস্তানগীদমক তালিবান ফাইতর ওইগনি চোংথোরক্লবশিংগী নুপী ওইনবা থাজথোক্কদবনি- তালিবান লুচিংবশিংগী য়াথংনি। ভাইরেল ওইরবা পাউ অসিগী অচুম-অরান খঙননবা হোৎনরিঙৈ, সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা অতোপ্পা ভিদিও অমগসু উরকখি- মমাগী মথানুংদগী মচানুপী লৈশাবীদু তালিবান-লান্মী অমনা, মখুৎ-মখুদাং পায়দুনা কৈথেল-পোৎলক্তুদগী চিংদুনা পুখিবগী। মমাদুনা মচানুপী কন্ননবা কপ-লাউদুনা হোৎনবা, য়াল্লবা মীয়ামদু কনানসু মতেং পাংখিদে। মশাগী পুন্সি-খোঙলোয় (লোয়নবী) ওইননবা পুরিবরা? নৎত্রগা, ঙাইহাক্কী ওইবা অপাম-নুংশিগী ঈখৌ পোল্লকপদু কোক্লবা পুরিবরা? পুন্সি-খোঙলোয় ওইনবা, তালোয় ওইনবা পুবা ওইরগদি ইসলামগী চৎনবী মতুংইন্না ‘নিকাহ’ শোন্দুনা তৌফম থোকপদু তৌরমগদবনি। মরমদি, মখোয় অল্লাহগী অশেঙবা লাল্লোয়নি-মশানা ক্লেম তৌজরিবনি। ইন্দিয়ারোমদা চেল্লকখিবা অফঘান-নুপী (পব্লিক সর্ভেন্ত ওইরম্বা) অমনা পাউদমখিবা পাউ অমদা ‘তালিবান ফাইতর অমনা, থৱায় য়াওদ্রবী অশিবা নুপীগী হকচাং অমগা হকতিন্নব’গী মথম্মোয় শোক্লবা মীৎনা-উবা-পাউদমদু তারুরগদি, মখোয়দা, মীনুংশিগা লোয়ননা মাগী তালোয় ওইনবা নুপী অমা লৌগে হায়বা ৱাখলদুদি সুপ্লে লৈরম্লোই। তালিবান লৈঙাক মখাদা অফঘানিস্তানদা ওইরক্কদবা ফীভমদুদা হিংনীংদ্রবা অফঘানশিং, অতোপ্পা লৈপাকশিংদা চেন্নবা হোৎনরকপা মীয়াম, তালিবানশিংনা তান্ন-তান্নদুনা হাৎপগী শক্তমদু মালেমগী মীয়াম্না উরগা করি ব্যবহার উৎলক্কদগে খন্থদবা মখোয়না তৌরক্কদবা দিপ্লোমেসি করম্বনো? মখোয়গা দিপ্লোমেটিক রিলেসনশিপ থদৎলগে খন্না চেল্লক্লবা ইন্দিয়ন এম্বেসি, অমুক হন্না হাংবীনবা তালিবানশিংগী রিক্বেস্ত, ইন্দিয়া’না করম্বা পাউখুম পীগনি? মোদিগী মচীন কাঙলক্ত্রি। পাকিস্তানগী মচীন চৎপা অমনদি ফোঙদোকখি- তালিবান’না অফঘানিস্তান-লৈঙাক পায়রকপা, ইন্দিয়াগী কশ্মির-ইস্যু-লোইশিনবদা মতেং ওইগনি।

কাবুল-পেলেস খুদুম চনখিবা নুমীৎ কুন’নি হৌখ্রবা তুংসিদসু তালিবান গভর্ণমেন্ট অসিদা কনানা করি ফমথোন পায়গনি, লেপথোক্লবা ঙমদ্রিবা... মনুংদা অরুবা ঈচেল অমা লৈবননি-পুন্নমক্লা খঙলমগনি।

ওইনীংবদু ওইরসনু, হৌজিক মালেমনা লাংতক্লরিবদি-লমদমসিগী নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মরাইবক অদুনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনেল চিলদ্রেনস ইমর্জেন্সি ফন্দ (য়ুনিসেফ)গী ইকজিক্যুটিভ দাইরেক্তর’না হায়- ‘অফঘানিস্তানননা হৌজিক তঙায়ফদনা দরকার ওইরিবসি নুপী ওজা, নুপী হেল্থ-ক্যার-ৱার্কর অমদি অঙাংশিংগী লায়েংশঙশিংদা নুপী-নর্স অমদি নুপী-দাক্তরশিংনি- লৈপাক্কী থবক থৌরমশিংদা নুপীশিংবু য়াওহনবা, মতমনা পুরকপা তঙায়ফদবা অমনি’...।

তালিবানশিংনা হীরমসিদা করি অহোংবা পুরকপগে য়েংবা তারি। হায়বসু হায়রি- হান্নগুম্না অহকপা নিয়মদি চৎনহল্লোই।

লৌশিং পুক্কে

# ওনলাইন ক্লাস তৌরিবা ওজাশিংনা

## মায়োক্লবা ভর্চুএল ফেটিগ হন্থহন্নবগী অরায়বা পাম্বৈশিং



কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা ওনলাইন ক্লাস তৌবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিগী ন্যু নোর্মেল হায়বদু ওইরে। মসিগী ন্যু নোর্মেল অসি লাকপগা ইরোইননা মোবাইল নৎত্রগা লেপটোপকী স্ক্রন শীজিন্নবগী মতম হেনগৎহল্লকপগী থৌওং অসি মহৈরোয়শিংদখক নত্তনা ওজাশিংদসুনি। অসুম্না স্ক্রনগী মতম হেনগৎলকপা অসিনা ভর্চ্যুএল ফেটিগকী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লক্লি। ভর্চ্যুএল ফেটিগ অসি ওজাগী কম্যুনিটিদনা হেন্না খুদোংচাদবা অমা ওই মরমদি মখোয়দি ওনলাইন ক্লাস তৌদ্রিঙৈ মতমদদি অসিগুম্বা অশাংবা স্ক্রনগী মতম অসিদা হৈনরক্তবনা অয়াম্বনি। মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীবদগী হৌরগা মখোয়গী এসাইনমেন্টশিং চুমথোক-চুমশিন তৌবা, এগজামিনেসন পেপরশিং শেম শাবনচিংবা পুন্নমক অসি পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা ওনলাইনদা লোইনমক ওনশিল্লক্লিবনি। অসিগুম্বা শীংনবা ময়াম অসিনা ওইহল্লকপা ভর্চ্যুএল ফেটিগ অসিবু ওজাশিংনা মায়োক্লনবা অমদি থেংননবগী পাম্বৈ খরা মখাদা পীরি।

**টাইমটেবল শেমদোক শাদোকপা :**

চয়োল অমদা নুমিৎ ৫নি হায়বসিগী মহুত্তা স্কুলশিংনা মখোয়গী টাইমটেবল অদু চয়োল অমদা নুমিৎ ৪গা মখায়দা ওইনা ওন্থোক্লবা খন্নবিগদবনি। অসুম তৌবা অসিনা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু নোংমগী তঙ্খায় অমদি স্ক্রন্দগী লাপথোকপগী নুংঙাইবা অদু ফংজগনি। করিগুম্বা মতমদা এক্সট্রা ব্রেক অমখক্তংনা পুক্নীং-ৱাখলবু শেংদোকপগা লোয়ননা হেন্না নীংথিনা পুক্লিং চঙবা ঙমহনবদা মতেং পাংগনি।

**নুংতিগী সেদ্যুলবু অমুক হন্না য়েংশিনবা :**

অশাংবা ব্রেক অমগী মহুৎতা, স্কুলশিংনা মখোয়গী সেদ্যুল অদুবু অমুক হন্না য়েংশিন্দুনা পেরিয়দ অনী খুদিংগী মিনিট ১০-১০গী অতেনবা ব্রেক মচা অমা হাপচিনবা য়াই। মসিনা চোকথবা অমদি অৱাবশিং ফহনবদা মতেং পাংগনি।

**মেন্টল হেল্থগী মরমদা খঙবীবা :**

স্কুল এদমিনিষ্ট্রেসননা ওজাশিংগী মেন্টল হেল্থকী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা নীংথিনা য়েংশিনবিগদবনি। মখোয়না ওজাশিং অদুদা রেগ্যুলর বেসিস অমদা ৱারী শাবিদুনা মখোয়গী ষ্ট্রেস হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙমগদবা থেরাপিষ্টশিং ফাওবা নেকপা য়াই।

**মতীক চাবা ৱার্ক ফ্রোম হোম সেটঅপতা শেল থাদবা :**

ওনলাইন ক্লাস তৌবা অদুদা শীজিন্নরিবা টেবল অদুগী অৱাংবা, স্ক্রনগা লাপ্পনবগী চাং, মতীক চাবা মঙাল অমদি অর্গোনোমিক চেয়র অসিনচিংবা পোৎলমশিং অসি ওনলাইন ক্লাস তৌনবগীদমক শাংলবা মতম অমা ফম্বা মতমদা খুদোংচাদবা অমদি নুংঙাইতবা ফাওহন্দনা য়াম্না নুংঙাইনা, নে তানা ফম্নবগীদমক খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তাবা পোৎলম খরনি। ষ্টেন্দিং দেস্ক অমা ফাওবা শীজিন্নদুনা য়েংবা য়াই।

**ক্লাস হৌরমদাই অমদি লোইশিল্লকপদা তৌগদবা কাঙলোনশিং থম্বা :**

ওনলাইনদা লাইরিক তাকপী তম্বীবা লোইবগা লেপটোপতু হেক্তমক খুমজিল্লোইদবনি। মদুগী মহুত্তা লেপটোপ অদু নীংথিনা মুথৎলবা মতুংদা মীৎনা উরোইদবা মফম অমদা নীংথিনা থমজিনখিগদবনি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী থবক্তগী মপুঙ ফানা লাপথোকপগী থৌওং অসি ওভরষ্টিম্যুলেটিং তৌদনবগীদমক য়াম্না মরু ওই।

রিক্রিএসনেল এক্টিভিটিশিংদা মোবাইল নৎত্রগা লেপটোপনচিংবা **স্ক্রনশিং শীজিন্নরোইদবনি:**

অইংবা ম্যুজিক তাবা, শান্নবা, করিগুম্বা অমা শেম-শাবা নৎত্রগা থোংবা থাকপনচিংবা এক্টিভিটিশিংদা ইশা য়াওশিনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। পোত্থানবগীদমক তৌরিবা রিক্রিএসনেল এক্টিভিটিশিংগী মতমদা ও টি টি কন্টেন্টশিং য়েংবা য়াওরোইদবনি। লাইরিক অমা পারবসু য়াই।

**২০-২০-২০ গী কাঙলোন ঙাক্কদবনি :**

ইশাগী মীৎপু স্ক্রনদগী ঙাইহাক পোত্থাবা ফংহন্নবগীদমক মিনিট ২০ খুদিংগী সেকেন্দ ২০ চুপ্পা ফিট ২০ লাপ্পা মফমদা য়েংবা হায়বা কাঙলোন অসি শুকশোয় শোয়দনা তৌগদবনি।

**পূং অমা খুদিংগী অচম্বা ষ্ট্রেটচ খরা তৌবা :**

ইচম চম্না নাকল য়েৎলোম-ওইরোমদা থেক্তোক থেকচিন তৌবা, ঙকশম লৈথোক লৈশিন তৌবা, খুজেং অমদি খোঙশিং লৈথোক লৈশিন তৌবদা কান্নবা ফংগনি। ঈগী ঈচেল ফগৎহন্নবা হৌগৎতুনা ইশাগী য়ূমগী অকোয়বদা ঙাইহাক চৎপা য়াই।

**কনফরেন্স কোল:**

ভিদিও কোলশিং অমদি টিম মিটিংনচিংবা তৌবা অদু কনফরেন্স কোল ওইনা তৌবা য়াই। অমগা অমগা শকক শকক উন্নবা ফংদ্রবসু মদুনা স্ক্রনগী মতমদগীদি ঙাইহাক্তং ওইরবসু ব্রেক অমা পীবা ঙমগনি।

**থক্লবা ঈশিংবু ইশাদগী লাপ্পা থম্বা :**

ইশানা থক্লবা ঈশিং অদু ইশাদগী লাপথোল্লগা থম্বা অসিনা ঈশিং থক্লিংলকপা মতমদা ইশাগী ফম্ফমদগী হৌগৎহনগনি অমদি হকচাংবু ঙাইহাক্তং লেঙ ওৎহন্দুনা কুইনা ফমজিল্লুবগী মসলশিং নাবগী খুদোংচাদবা অদু ফহনবদা মতেং পাংগনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# হুইয়েন লানপাউগী ২৪শুবা লিটরেরি ক্যুইজগী ৱিন্নর অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :



পাউচে অসিগী লেপ্পা লৈতনা চৎথরকপা লিটরেরি ক্যুইজগী ২৪শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা তাউথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়দা লৈবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

লিটরেরি ক্যুইজগী ২৪শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদি কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক্কী ৱাফমসি অনৌবা ওইদ্রে। ঐখোয়না লায়না-লাইচৎ অসিগা মায়োক্লদুনা অৱাবা চৈথেং কয়া খাংদুনা লেল্লক্লিবসি চহী অমদি হেল্লক্লে। অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবমক লৈত্রবসু চৎথোক-খোৎতোকপদা পূক্লিং লুমদ্রি, ৱাখলদা অকিবা অদুমক লৈরি। নুংতিগী অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরি, শিবসু লেপত্রি। মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিন্দুনা তংদু-লৈতানা হিংনবা ঙমদ্রি। মরকসিদা লাইচৎ অসিগী থার্দ ৱেভকী ৱাফমসু ঙাংনরক্লি। অসুম্না থা কয়া, চহী কয়া লাইচৎ অসিগী অকিবা অমদি চৈথেং অসি লৈখিগদ্রা তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি। ঐখোয় পুন্নমক চেকশিন্দবা য়াদ্রি। লৈঙাক্লা ষ্টেন্দর্দ ওপরেসনল প্রোসিদ্যুর (এস ও পি)শিং শেমদুনা মীয়াম্না চৎপীনবা লাউথোক্লি। মতম শাংনা থেঙ্খাং কয়ারক্তা কর্ফিয়ু লাউথোক্তুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা থবক থৌরম, চেকশিন থৌরাং কয়া লাউথোক্লি। মীয়াম্নসু মসি ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। অদুবু লৈঙাকসু, মীয়ামসু ৱাখল তাবা ৱাৎপা, করিমত্তা থওইদবা, নাকল অমদা ইহো হোবা, ইরায় লাইথোকপকুম্বা অমা উবা ফংই। মচা খায়না ফোঙদোকচবদি ঙমজদে।

লৈঙাক অমসুং লুচিংবশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌবীয়ু। শেঞ্জা-থুমজা, ৱাথোক-লান্থোক লৈতবা, অচান-মীরাই নাইদবা, মীচঙ-শঙ্গ য়েংবীদনা মীয়াম্বু অমুক্তং থোং মান্নবা পুন্সি মহিং অমদা তংদু-লৈতানা হিংহনবীয়ু। হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলগীদমক, ঈং-তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফবা, চাউখৎপা মণিপুর অমগীদমক কথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়াম্বু লমজিংবীয়ু। তেল্লবা মীওইবগী মপোকনি। মীওইবগী অরোইবা মীকুপ লাক্লবদা লন-থুম, পৱার, সনা-লুপা পুন্নমক অরেম্বনি। তুংগী মীরোলনা নুংশিনা শক্ল-শোন্নবা মীশক অমমম ওইবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):

তোপ চিংথা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসন (টি ৱাই পি ও), য়াইরিপোক্লা কোনবা মফম অসিদা ঙসিদগী থা ৪গী মমাঙদগী নৌনা খিল্লিবা ত্রান্সফোর্মর অসি মথৌ তৌহন্ননবা হায়জরবসু ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা এম এস পি দি সী এলগী ওফিসলশিংনা তাবীদ্রে। হীরমসিগা মরী লৈননা টি ৱাই পি ওগী ওফিসতা ঙসি ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি লৈকায় মীয়াম য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিনা ৱারেপ্প খিবগী মতুংইন্না লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা নৌনা খিল্লিবা ত্রান্সফোর্মর অসি মপুং ফানা শেমজিনবা লোইদুনা ফঙ্কসন তৌদ্রবদি থংনবা নুমীৎ হায়বদি সেপ্টেম্বর ১৬তগী য়াইরিপোক টু নোংপোক কৈথেলমানবীগী লম্বী থিংবদা নত্তনা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়না তোপ চিংথা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সেঞ্জম মংলেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# শুগুনু এ সীগী সী ঐচ আই সীশিং মতম খরগী ওইনা লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):





শুগুনু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী থৌশিল থৌরাংগী মখাদা এ সী অসিগী কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক থৱায় য়াওনা থবক তৌরকখিবদগী কোভিদ মায়থীবা পীদুনা এ সী অসিদা হাংদোরকখিবা সী ঐচ আই সীশিংদা কোভিদ অনাবা অমত্তা লৈতবনা মতম খরগী ওইনা শুগুনুগী মফম অনীদা লৈরিবা কোভিদ আইসোলেসন সেন্টরশিং ঙসিদগী ওফিসল ওইনা ক্লোজ দাউন তৌরে হায়না কোভিদ টাস্ক ফোর্স শুগনুগী সেক্রেটরি এম প্রেমজিৎনা পাউমীশংদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়খি, মণিপুর পুম্বগী ওইনসু কোভিদকী ফীভম তপ্না তপ্না ফগৎলক্লি। শুগুনুগী ওইনসু হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মশীং হন্থরকখিবদগী ঙসিদি শুগনুদা কোভিদ পোজিটিভ অমত্তা লৈত্রে, নিল ওইরে হায়রদুনা শুগুনু গেষ্ট হাউস অমদি শুগনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি কোভিদ আইসোলেসন সেন্টর অনীমক কোভিদ অনাবা অমত্তা লৈতবনা মতম খরগী ওইনা থোঙ লোল্লগনি। করিগুম্বা কোভিদকী থার্দ ৱেভ অসিনা শুগনুদা অনাবা য়াওরক্তুনা মশীং হেনগৎলকপা তারবদি কোভিদ টাস্ক ফোর্স শুগনুগী ভলন্টিয়র খূদিংমক্লা অমুক হন্না মীয়ামগীদমক মখা তানা চপ চানা হান্নগুম মথৌ তৌগনি।

শুগুনু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা এম্ব্যুলেন্সকী অৱাৎপা লৈহন্দনবা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা মীয়ামগীদমক্তা কোভিদ অনাবশিং কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর, সী ঐচ আই সীশিংদা থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবা, ফীভম লুশিল্লক্লবা কোভিদ অনাবশিং কোভিদ ক্যের সেন্টর, ককচিং তান্না থিনবা য়াওনা এ সী অসিগী মীয়াম্না কোভিদ টেষ্ট তৌবদা শীজিন্ননবা অল্ট্রা বস অসিসু ঙসিদগী সী ঐচ আই সীশিংদা কোভিদ অনাবা অমত্তা লৈত্রবনিনা মথৌ তৌবা লেপ্পগনি। এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মফম খুদিংমক্তা এম এল এনা কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংদা অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দনা কোভিদ লান্থেংনবদা চঙবা পোৎলম খুদিংমকপু এম এল এনা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামগীদমক মখা তানসু অমত্তা ৱাৎতনা পীগনি হায়বগী থাজবসু থম্বীখ্রে। মসিগীদমক এম এল এ, কে রঞ্জিৎপু শুগনু মীয়ামগী মহুৎ শীনবা ওইনা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী ভলন্টিয়রশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## অঙাংশিংগী ভেক্সিন কাপ্পা য়ারকান্দা স্কুল কোলেজ হাংদোকপনা ফগনি খল্লি



কোরোনা পেন্দমিক্তা ৱাদবা অমত্তা য়াওদ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনা কেরলানা খ্বাইদগী শোকপা ওইরি। মণিপুরগী ওইনা পোজিটিভকী চাং খরা হন্থরক্লগসু য়াম্না ৱাংলি। ইম্ফাল ৱেষ্টতা চাদা ৯ য়ৌরি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না পোজিটিভকী চাং ৫% গী মখাদা লৈত্রবদি আউটব্রেক লৈরি হায়রি। উত্তর প্রদেশ ০.০০৬%, ঝরখন্দ ০.২৫%, তামিলনাদু ১% অসুম্না ওইখি। দিল্লিদা চাওরাক্লা চাদা ০.০৪- লৈরবা মতমদা স্কুল কোলেজ য়াম্না চেকশিন্না হাংনবা হোৎনৈ। হৌজিক মণিপুরদা পোজিটিভকী চাং ৫% মথক্তা হেন্না লৈবনা আউটব্রেক লৈরি। মরম অসিনা স্কুল কোলেজ হাংবা মতম চাদ্রি। অতে মফম খরদা চাদা ১-২গী মখাদা লৈবতখক হাংনবা থৌরাং তৌবা উই। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফীভম য়েংলগা দুর্গা পুজা মতুংদা হাংনবা হায়রি। টামিলনাদুদা কা অমদা মহৈরোয় ২০ ফাওবতমক য়াহল্লি। ক্লাসরুমগী চাদা ৫০% কেপাসিটিদমক য়াহনবা উই। পাল্লি নাইনা অলটরনেট ওইনা পোজিটিভকী চাং ১%গী মখাদা লৈরবা মতমদা দিল্লিদা তৌবগুম্না হাংদোকপা ফৈ। ওজা কোন্নদবগী ওইরবসু য়ানবা শিনবা তঙাই ফদে খঞ্জে। মমাংদা উজখিবা খরদা ক্লাস রুমগী চাদা ১০০%মক শীজিন্নখি। চৎন-কাংলোন নীংথিনা ইনবা উখিদে। মহৈরোয়শিংনা নীংথিনা চুম্না মাস্ক উপ্পদে। মহৈরোয় লুপশিংনা মাস্ক নীংথিনা উপহন্নবা হোৎনবদা কান্নগনি খল্লি।

❒ শ্যামকিশ্বর সিংহ, তাকয়েল মপাল

## লৈঙাক্না মীয়ামদা কোভিদ লাইচৎ কা হেন্না কিদনবা পাউজেল পীবিবা চুমগনি



কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক চাদা চাম্মা লোইগদবা খজিক্তং ঙাইশিল্লকপদগী কোভিদ লাইচৎনা নাবা অমসুং শিবগী চাংসু তপ্না-তপ্না হন্থরকপনা মরম ওইরগা অয়ুক অমসুং নুংথিলগী মতমদা থল্লম্বা কর্ফিয়ু লৈঙাক্লা কোমথোকখিবা হেক নোংঙানবগা ঐখোয়গী লম্বী লমজাও ইঞ্জিন পানবা গাড়িশিং য়াওনা মীওই কয়া অমা মশিং খঙদনা থোক্লকপনা ইম্ফাল মনুং মীনা চিক্লা চাইনবা ঙমদনা তিল্লে। মসি হীরম খুদিংগী ললোন ইতিক তৌবশিং য়াওনা, লৈঙাক্লা হাংবগী অয়াবা ফংলগা দুকানশিং হাংলক্তুনা পোৎ য়োনবা য়াহল্লকপদগী ওইরম্বা য়াই। লৈঙাক্কী অয়াবা ফংলবা বেঙ্ক য়াওনা ওফিস পূন্নমক্কী ষ্টাফশিং কারক্তুনা অককনবা পুংশিংদা হাংবা হৌরকপগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী স্কুল কোলেজশিংসু হাংবা হৌননবা অথুবদা হাংলক্লবদি কোভিদ লাইচৎ লাক্ত্রিঙৈ মমাংগী ইম্ফালগী শক্তম অমুক হন্না উবা ফংলগনি। অদুবু লুরিবদি মীওই খরদি কোভিদ লাইচৎ কীবা হেনমনবদগী মশা অনাবা লোইদুনা মী উননি কীবদগী থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না চৎতবসু লৈতবা নত্তে। হৌজিক্তি কোভিদ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা ‘চেকশিনবা’ হায়বা পাম্বৈসি মীওই অয়াম্বনা খঙলবা লাইচৎ অসি ঐখোয়না ইকুই কুইদনা লাকশিনবা ঙল্লগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা পীবা পাউজেলগী মরক্তা লাইচৎ অসিবু কা হেন্না কীরিবা মীওইশিংদা কা হেন্না কীদনবা ৱাহৈ খরসু হাপচিনবিদুনা খঙহনবিনবা ৱাফম থমজরি। মদুনা লাইচৎ অসিদগী থুনা ঙাকথোকপা অমদি লান্থেংননবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না খল্লি। নৎত্রবদি মখা তানা লাইচৎ অসি লৈখিবা য়াই।

❒ এল ইবোমচা, তাউথোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ০৬।০৯।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা, অয়ুক্কী পুং ৭.৩৯ ফাওবা থৱানগী ২৯ নি পাল্লি, মতুং থাশুনি।**

মেষ: হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎলনি, থৌনা উথোকপগী কান্নবা ফংলনি অমদি ঙাংবা শকপা হৈবগী কান্নবা ফংজরনি। মরুপ মপাংনদি চানবীদে, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: ৱা য়াম্না ঙাংদবা, পঙশিন্নবা অমদি খুরৌ থাংগদবা থবক্তা অখঙ-অহৈগী পাউতাক লৌবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। খাঙবা কন্দ্রদি মাঙবতা নংগনি থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিথুন: নচাক নরল চাওখৎকনি অমদি নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজবা ফংগনি। মীয়ামগী মতেংসু ফংগনি অমদি হৈ-শিংবনা নথক্কী অহলনসু চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি, পাংঙমদবা থবক পাঙবা ঙল্লনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি খুৎচাওবদি য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওবা কান্নরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি অমদি অচুম্বা অমদি হৈ-শিংবনা মীকোক থোংনা কান্নজগনি। ৱাখল তান্নরমদবা তান্নবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা: ৱানোম থৌনোম্বা কান্নগনি, লেঙদবা লন ফংগনি, মীয়ামগী মতেং লৌবসু খুদোংচাবা ফংজগনি। অদুবু হুরানবনা তাথি অমদি মরুপ মপাংনা ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: ওইজবা ফংগনি, শেন্দোং তানবৈ থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি নিংহন্নদবনা হেন্না মায় পাক্কনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াবা নুমিৎনি
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: থবক পাঙগনি, নথক থোংবনা চানবীগনি, ঙাংথোকপদা পকচগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। হকচাংসু খিংগনি অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: ৱানোম থৌনোম কান্নবা ৱাৎকনি অমদি ওইজবা থিবদা খুৎ চাওগনু। লৌশিং চাওবগী ৱা তাবা ফৈ অমদি মরুপ খনবদি হৈয়ু। কান্নবা খরসু ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: মীয়ামগী মতেংনা থবক পাঙবা, নচা-ননাই ফংজবা অমদি হরাওবা নুমিৎনি। অদুবু অনৌবা মীদি থাজবা য়াদে নত্রদি নরল মাঙগনি। ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ: হরাওবা নুংঙাইবা অমদি শেন্দোং য়াম্না ফংজবা নুমিৎনি। অনৌবা আশা লাকই অমদি মরুপ মপাংনা ফনা শোন্নবী। অদুবু নাপলনা মাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: মীচঙ লৈরনি অমদি পল্লম্বা শেল ফংবৈ নুংঙাইজবা লৈগনি। অয়েৎপা হন্থগনি অমদি লাইবক লৈ। অদুবু ফিংবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাংবদি চোপ্পা নঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।